
# মেহবুবা মুফতি জম্মু অমসুং কাস্মির এসেমব্লী মেম্বর অমা ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



জে এন কেগী স্পিকর কাবিন্দর গুপ্তানা মেহবুবা মুফতি হাউসকী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখিবা

*শ্রীনগর, জুন ৩০ঃ*
জম্মু অমসুং কাস্মিরগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতি অনন্তনাগ কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাক্লকখ্রবা মতুং ঙসি সভাগী মেম্বর অমা ওইবগী ৱাকশ লৌখ্রে। জম্মু অমসুং কাস্মিরগী স্পিকর কাবিন্দর গুপ্তানা এসেমব্লী সেক্রেটরিয়েট চেম্বরদা মেহবুবা মুফতিবু মেম্বর অমা ওইবগী ৱাশক লৌখি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মিনিষ্টর রেহমন ভিরি, লো মিনিষ্টর অব্দুলহক খান, অতোপ্পা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর কয়া, দিপ্যুতি স্পিকর নাজির গুরেজি, লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী সেক্রেটগী সেক্রেটরী অমসুং পি দি পি জেনরেল সেক্রেটরী মুহম্মদ সরটাজ মতনিনচিংবা লুচিংবা কয়াসু ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী এসেমব্লী কন্সটিটুয়েন্সি অদুদা মেহবুবা মুফতি মরিরক শুবা ওইনা চৎলিবা থা অসিগী ২৫দা মায় পাক্লকখি। লুচিংবী অদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বাদগী ভোট মশিং লিশিং ১২ হেন্দুনা মায় পাকখি।

হায়রিবা কন্সটিটুয়েন্সি অদু মহাক্কী অপোকপা মুফতি মুহম্মদ সায়িদনা থংনা থংননা টার্ম অনীরক ভোট কারমখিবা মফমনি। অনন্তনাগ এসেমব্লী সেগমেন্টতা চৎলিবা থা অসিগী ২২দা মরক্কী মীখল অদু পাঙথোকখি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মুফতি মেহবুবা সয়িদনা জনুৱারি ৭তা লৈখিদ্রবা মতুং কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা চৎলিবা থা অসিগী ২২দা মরক্কী মীখল পাঙথোকখি। ইং ১৯৯৬তা অনন্তনাগ বিজবেহরাদা লুচিংবী অদু মায় পাকখিবা লৈখি।

মতম অদুদা মহাক কংগ্রেসকী মীরেপ অমা ওইখিবনি। অদুম ওইনমক লুচিংবী অদু চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ৪দা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং মহাক্কী অপোকপা মুফতি মুহম্মদ সয়িদকী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইখি।

জুন ২২দা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা লুচিংবী অদু মীরেপ ওইবগা লোয়ননা চাওনা মায় পাকখি। জুন ২৫দা মীখলগী খল লাউথোকপদা লুচিংবী অদু মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বাদগী ভোট মশীং লিশিং ১২ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি হায়রি।

# টলিবান সুসাইদ বোম্বর ২না এটেক চথরকখিবদা ২৭ শীরে, ৪০ শোক্লে

*কাবুল, জুন ৩০ঃ*
টলিবান সুসাইদ বোম্বর অনীনা ঙসি কাবুলগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা মফম খরদা মশা শীজদুনা বোম পোকখায়হল্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ শীরে। অদুগা ৪০না অশোক অপন নংখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না য়ুমথংননা লৈরিবা ৱারদগ প্রোভিন্সকা তাইনবা মফম অমদা মিলিটেন্টশিং অদুনা বস অহুমদা এটেক চথরকখি। অহানবা ওইনা ফংখিবা পাউদা সুসাইদ বোম্বর অনীনা মফম অদুদা বোম পোকখায়হন্দুনা অশোক অপন কয়া নংহনখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখিবদা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ২৭ শীহনখ্রে। অদুগা ৪০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

টলিবানগী ৱাঙাংলোই জাবিহুলাহ মুজাহিদনা ফোঙদোরকখিবদা অহানবা এটেক অদু পুলিস পার্সোনেল কয়া পুদুনা লাকখিবা বস অদুদা টার্গেট তৌখিবনি। মদুগী তুংদা মফম অদুদা মী কনবা অমসুং ইম্মর্জেন্সি সার্ভিসকী মীওই কয়া থুংলখি।



কাবুলদা সুসাইদ বোম এটেক চথরকখ্রবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা

অনীশুবা বোম্বর অদুনা মতম অদুদা বোম পোকখায়হন্দুনা লাকখিবা মীওই কয়া হাৎপা ঙমখি হায়না ফোঙদোরক্লি। মীওই কয়া শীহনখিবা থৌদোক অদুনা অফগানিস্থানদা সিক্যুরিটিগী লমদা শীংনবা কয়া লৈরে হায়বদু উৎলে। ওইরক্লিবা ফিভম অদু খন্ননবা থবক কয়া পায়খৎলি।

অনৌবা লুচিংবা মুলাহ হায়বতুলা অখুন্দ জাদাগী লিচিং মখাদা লমদম অদুদা হৌখিবা থাদগী অকনবা খোঙজং চংশিল্লক্লি। মোলা অখটার মন্সুর য়ু এসকী দ্রোন এটেক্তা হাৎখিবা লৈখ্রে।

টলিবানশিংনা নোংচুপ লৈবাকশিংনা শৌগৎপা মফমশিংদা অকনবা এটেক চথগনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈরি। রামজান থা মনুংগী ওইনা মুস্লিমশিংগী শেংলবা মফমশিংদা সুসাইদ বোম কয়া পোকখায়হল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈরি।

চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা টালিবানশিংনা এটেক চথরকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সকী পার্সোনেল ৬৪ কাবুলদা হাৎখিবা লৈখি। মদু ইং ২০১১গী মতুংদা থোকখিবা খ্বাইদগী মীশি-মীনা নংবা থৌদোক অমনি হায়রি।

মমাঙ চয়োলদা য়ু এনগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা অফগানিস্থানদা টলিবানশিংনা মীওই কয়া কিদনেপ তৌবা অমসুং সুসাইদ এটেক চথরকপা য়াবগী ফিভম লৈ হায়রি।

# টর্কিষ্ট ফোর্সনা আই এস মিলিটেন্ট অনী হাৎখ্রে

*অঙ্করা, জুন ৩০ঃ*
টর্কিদা সুসাইদ এটেক চথনবা হোৎনরমখিবনি হায়বা মীওই অনী সিরিয়াগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুক্তা টর্কি সিক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎখ্রে। মিলিটেন্ট অনী অদু ইষ্টানবুল এয়ারপোর্টতা বোম মথং মথং পোকখায়হনখিবা নুমিৎকী মাংওইননা হাৎখিবনি।

থৌদোক অদুদা হাৎখ্রবা মুহম্মদ আরফ কৌবা মীওই অদুনা টর্কিগী কোনুং অঙ্করাদা এটেক কয়া চথনবা হোৎনরমখি হায়বা খঙবা ঙমখি।

টর্কিগী কোনুং অঙ্করা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদগী আই এস মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথরকপা মফম অমা ওইখি। মদুনা মরম ওইরগা মীওই ১০৩ শীহনখ্রে।

স্পিসিয়েল ফোর্সনা কুপ্না য়েংশিনবগী থবক চথরি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা নৌনা হাৎখ্রবা মীওই অনীগী মমিং মথা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি।

লৈঙাক অদুনা হায়, য়ুরোপকী লাল্লোল ইতিক্কী খ্বাইদগী মরুওইবা মফম ইষ্টানবুল এয়ারপোর্টতা চথরকখিবা এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা চথবা ওইগনি। মীশি মীনা কয়া নংহনখিবা থৌদোক অদু আই এস মিলিটেন্টশিংনা চথখিবা ওইগনি হায়নসু মরাল শীরি।

# চহী ৩০গী মতুংদা টেজাস এয়ারক্রাফ ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সনা মথৌ তৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, জুন ৩০ঃ*
ইন্দিয়ানা শেমগৎচবা জেট ফাইটর ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সতা হয়েংদগী হৌনা ইন্দক তৌরগনি। লাইট কোম্বেট এয়ারক্রাফ হেন্না ফবা মওংদা শেমগৎ শাগৎলবা চহী ৩০গী মতুংদা ওফিসিয়েল ওইনা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সতা শরুক য়াহন্নবগীদমক অখন্নবা থৌরম অমা হয়েং বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্লগনি।

টেজাস ৱার্ল্ড ক্লাসকী মনুং চনগদবা ফাইটর অমনি। টেজাস এয়ারক্রাফ মতম থেংনা খূৎশিন্নবগী মতাংদা অকনবা ৱায়েৎ কয়া লাকখিবা লৈখি। ষ্টেটনা চল্লাইবা হিন্দুস্থান এরোনোটিক (ঐচ এ এল)না টেজাসকী প্রোজেক্ট অদু পায়খৎখি।

ইং ১৯৯৮তা ইন্দিয়ানা ওখারনদা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং তৌখ্রবা মতুং য়ুএসনা লৈবাক অসিদা অথিংবা কয়া থল্লকখিবা লৈখি। ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী শরুক অমা ওইনা মালেমগী কৈথেলদা হেন্না ফবা মওংদা লৈহন্নবা জেট ফাইটর অদু চহী কয়াগী মমাঙদগী শেমশাবগী থবক চথরকখি। অদুম ওইনমক ঙসিদি টেজাস ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী স্কাড্রোন সার্ভিসতা শরুক য়ারগনি।

ইজরেলগী মলটি-মোদ রাদর সিষ্টেম য়াওরবা অমসুং এয়ার টু এয়ার কাপ্পা য়াবা মিসাইল এটেকশিং মায়োক্লবা ঙম্বা অমনি। মতমগা চুন্নবা মওংদা গ্রাউন্দ টার্গেটতা পালহনবা ঙম্বা ফাইটর অমা ওইরে। ফাইটর অদু ফ্রান্সনা শাবা নিরেজ ২০০০গা মান্নে হায়রি।

# কুৱেটকী রেসিদেন্সিয়েল এরিয়াদা মৈ চাকপদা এসিয়া মচা ৯ শীরে

*কুৱেট, জুন ৩০ঃ*
থা মরাং কায়না থোকপা গাল্ফ কনত্রিগী মনুং চল্লিবা কুৱেটতা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা এসিয়া মচা ৯ শীরে। অদুগা ২৫ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

ফায়র সার্ভিসকী ৱাঙাংলোই খালিল অল আমিরনা এসোসিয়েটে প্রেসতা ফোঙদোকখিবদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই ৬তি ইমুং অমগী মীওইশিংনি। মখোয় মৈনা চাক্তুনা শীখি।

থৌদোক অদুদা অতোপ্পা মীওই ২৫শু অশোক অপন নংখি। মদুগী মনুংদা ফায়র ফাইটর ৪ য়ালরি। মৈ অদু কুৱেট সিটিদগী কিলোমিটর ১৫ রোম চৎলগা লৈবা ফারৱানিয়াদা লৈবা মথোল কয়া ৱাংবা য়ুম অমদা থোকখিবনি।

শোক্লবা মীওইশিং অদুগী চপ চাবা মমিং মথা ফোঙদোকউ হায়বা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়াখিদে। গাল্ফ আরফ কন্ত্রিগী মনুং চনবা কুৱেটতা লৈবাক কয়াদগী লাকপা মীওই কয়া থবক শুরিবনি হায়রি।

# কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে

*শ্রীনগর, জুন ৩০ঃ*
সাউথ কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট অনী হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নেৱা লমদমদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা টেরোরিষ্টশিং লৈরে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী কোয়শিন্দুনা থল্লবা মতুং ওপরেসন চথখি।

য়ুম অমগী মনুংদা লোৎতুনা লৈবা টেরোরিষ্টশিং অদু সরেন্দর তৌরক্লবা খঙহনখি। অদুম ওইনমক টেরোরিষ্টশিং অদুনা সিক্যুরিটি ফোর্স তম্না অকনবা মওংনা নোংমৈ কাপথোরকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা টেরোরিষ্ট অনী হাৎপা ঙমখি।

সিক্যুরিটিগী মায়কৈদা পার্সোনেল অনী অশোক অপন নংখি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদুদা হাৎখ্রবা টেরোরিষ্টশিং অদু করম্বা কাংলুপকী মীওইনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

লৈখিদ্রবা টেরোরিষ্টশিং অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মশক মমিং খঙদ্রি। লমদম অদুদা টেরোরিষ্টশিং লোৎতুনা লৈরে হায়বা খঙবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সনা ওপরেসন চথবদা খূৎ থোক্লরকপদগী টেরোরিষ্ট অনী হাৎপা ঙমখি। অদুগা সিক্যুরিটি পার্সোনোল অনীনা অশোক অপন নংখি হায়রি।

# ইং ২০০৫গী মমাঙদা নমখিবা শেনয়েকশিং অকক্লবা আর বি আইগী ওফিস খরনা লৌশিনগদৌরি

*মুম্বাই, জুন ৩০ঃ*
অরিবা বেঙ্ক নোটশিং চৎনহনখিদ্রবা মতুং ইং ২০০৫গী মমাঙদা নমখিবা শেনয়েকশিং অকক্লবা বেঙ্ক ব্রাঞ্চ খরা খক্তদা লৌশিনবা য়াহল্লগনি হায়না রিজার্ব বেঙ্কনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ইং ২০০৫গী মমাঙদা নমখিবা শেনয়েকশিং ইং ২০০৫গী মতুংদা নমখিবা শেনয়েকশিংগা সিক্যুরিটিগী লমদা চেকশিন থৌরাং ৱাৎপা লৈখিবনা মরম ওইরগা চৎনহন্দনবা থৌশিল অদু পায়খৎলকখিবনি।

সেন্ত্রেল বেঙ্কনা ফোঙদোরকখিবদা ইং ২০০৫গী মমাঙদা নমখিবা শেনয়েকশিং ৱিদ্রো তৌবা হৌখ্রে। অয়াম্বা শরুক খোমগৎখ্রে। অদুম ওইনমক শরুক খরদি হৌজিকসু চৎনদুনা লৈরি।

রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা জুলাই অহানবদগী ইং ২০০৫গী মমাঙদা নমখিবা শেনয়েকশিং অদু অকক্লবা রিজার্ব বেঙ্কী ওফিসশিংদা ওন্থোক ওনশিন তৌননবগী খুদোংচাবা পীরি।

অহামেদবাদ, বেঙ্গলুরু, ভোপাল, ভুবনেশ্বর, চান্দিগর, চেন্নাই, গুৱাহাতি, হায়দ্রবাদ, জয়পুর, কানপুর, কোলকতা, লখনৌ, মুম্বাই, পটনা, থিরুভনন্থপুরম অমসুং কোচিদা লৈবা ব্রাঞ্চশিংদা শিন্দোকপা য়াগনি হায়রি।

রিজাব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা ইং ২০০৫গী মমাঙদা নমখিবা শেনয়েকশিং শীন্দোক শীনজিন তৌননবগী মতম চৎলিবা চহী অসিগী জুন ৩০ ফাওবা পীখি। রিজাব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা হায়রিবা চহী অদুগী মমাঙদা নমখিবা শেনয়েকশিং অয়াম্বা খোমগৎললে। অদুম ওইনমক খরদি হৌজিকসু চৎনদুনা লৈরি। অদুগুম্বা শেনয়েকশিং অদু খোমগৎনবা পায়খৎপা থৌশিল অমনি হায়রি।

**In the Family Court, Manipur at Lamphelpat, Imphal**

**Mat (Decl) Suit No. 32 of 2016**

Laiphrakpam Ibecha Devi, aged about 55 years, D/o (Late) L. Mangoljao Singh (father) and (Late) Laiphrakpam (O) Tombi Devi (Mother) of Langthabal Lep Makha Leikai, P.O. & P.S. Singjamei, Imphal West District, Manipur

Plaintiff

-Vrs-

Laiphrakpam Kola Devi, aged about 64 years, W/o Laishram Achou Singh of Thouda Bhabok Leikai, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur and 7 ors.

Defendants.

To,

All the interested persons.

Whereas, the above named Plaintiff has filed an application for declaratory decree with consequential reliefs; all the interested persons are hereby summoned to appear before this Court on 4-7-2016 at 10.30 am in person or by a pleader duly instructed and able to claim and also to file your written objection if any.

Take notice that in default of your appearance the case will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the Order of this Court, this the 29th day of June, 2016

Sd/-

**(R.K. Dhanisana Devi)**
*Sheristadar,*
Family Court, Manipur

SL/751/1-2

# এয়ার ইন্দিয়াগী প্লেন অমা লেন্দিং তৌবদা টায়র পোকখায়রকখ্রে

*শ্রীনগর, জুন ৩০ঃ*
সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সকী লান্মী কয়া পুদুনা লাকপা এয়ার ইন্দিয়া চার্টর ফ্লাইট অমা শ্রীনগর ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্টতা লেন্দিং তৌনবা হোৎনবদা এয়ারক্রাফ অদুগী টায়র পোকখায়রকপদগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখ্রে। অদুম ওইনমক অশোক অপনদি নংহৌদ্রে হায়রি।

ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ২ রোম তাবদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। এয়ারক্রাফ অদুদা লান্মীগী মীওই কয়া তোংলকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। লান্মীশিং অদু জম্মু-শ্রীনগর সেক্টরদা মথৌ তৌগদবা পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-629**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | 1 | 5 |
| | | | | 5 | 8 | | 7 | 9 |
| 6 | | 9 | | | | | | |
| | 6 | 1 | 5 | | 3 | 4 | 9 | |
| | | | 6 | | 2 | | | |
| | 2 | 5 | | 4 | | 1 | | 3 |
| 2 | | | | 6 | 1 | | | 8 |
| | | | | 7 | | 9 | | 1 |
| 3 | | | 8 | | 5 | 2 | | 6 |

*সনা-সুদোকু- ৬২৮ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 4 | 2 | 5 | 6 | 3 | 7 | 9 | 8 |
| 9 | 3 | 6 | 8 | 7 | 4 | 1 | 2 | 5 |
| 7 | 5 | 8 | 2 | 1 | 9 | 3 | 4 | 6 |
| 5 | 2 | 7 | 1 | 4 | 8 | 9 | 6 | 3 |
| 8 | 1 | 4 | 3 | 9 | 6 | 2 | 5 | 7 |
| 3 | 6 | 9 | 7 | 5 | 2 | 4 | 8 | 1 |
| 4 | 9 | 3 | 6 | 8 | 7 | 5 | 1 | 2 |
| 2 | 8 | 5 | 4 | 3 | 1 | 6 | 7 | 9 |
| 6 | 7 | 1 | 9 | 2 | 5 | 8 | 3 | 4 |

## GAS TODAY


**M/s ASHANGBI INDANE, SUGNU**
Booking upto .......01/06/2016
Valid from ........... 28/05/2016
Sl. No. Upto ....................7444
Stk...................................306
Timing.........9.00 to 11.30 am

**KHUMBONG INDANE**
Booking upto .......13/05/2016
Valid from ........... 05/05/2016
Stk...................................306
Timing.........7.30 to 10.30 am

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto .......10/06/2016
Valid from ........... 07/06/2016
Stk 14 kg.........................612
Stk 19 kg...........................34
Timing.........8.00 to 10.30 am
Submit Aadhaar Card

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto Date
Stk...................................306
Timing.........7.30 to 11.30 am
First Come First Serve

**MAIBIA GAS**
Booking upto .......29/06/2016
Valid from ........... 28/06/2016
Stk...................................306
Timing.........7.00 to 11.00 am




St. GEORGE COLLEGE
Affliated to Bangalore University, RGUHS & Approved by AICTE, INC (Recognized by the Government of Karnataka)

ADMISSIONS OPEN 2016

COURSES www.stgeorgecollege.org

| | | |
|---|---|---|
| M.Sc. (Biotech) | B.Sc. (Genetics) | BCA |
| M.Sc. (Microbiology) | B.Sc. (Comp. Sc) | BBM |
| M.Sc. (Biochemistry) | B.Com (Com) | MSW |
| B.Sc. (Biotech) | B.A (Journalism) | MBA |
| B.Sc. (Microbiology) | B.Sc (Nursing) | GNM |
| B.Sc. (Biochemistry) | P.C.B.Sc (Nursing) | |

For Admission Assistance
Homendro Singh
Career Info Solutions, New Checkon Road, Near ICIC bank, Imphal East, Manipur. Ph:8415033773/8413976991

STUDY MBBS IN ABROAD
BANGLADESH, KAZAKH, CHINA, PHILIPPINES
Plz Contact :
Atawar Rahman A.S.
Education Trust,
Khergao Thambalkhong,
Near Cambridge School,
Old Campus Imphal.
Note : Available Lone Facility, Term & Condition require
SINCE 2003
No Service Charges, Scholarship Available
Contact No. : 9856363129, 9615706900, 8257053310, 0385-2445341

SPOT ADMISSION
FOR
Top Colleges in India for the following courses :
Assistance in Education Loan
Drop up facility upto College Hostel
❖MBBS ❖B. PHARM ❖BSc. Nursing ❖BHMS ❖B.P.T. ❖GNM ❖BDS ❖BAMS ❖B. Tech
❖Robotics ❖Civil, Mech. ❖CS ❖EEE ❖ECE ❖IT ❖Petroleam ❖NANO ❖BHM
❖BBA ❖MBA ❖BSc. Agri ❖Forestry ❖HOTI ❖BFAD ❖Food Tech. ❖BCA ❖MCA
Avail Limited Scholarship
100% Placement Assistance
For details :-
Career Info Solution
New Checkon Road near ICICI Bank
Contact us @ 9089762725

DIRECT AND SPOT ADMISSION
BE B.Tech
4 Yrs. DEGREE Course in :
• Computer Science • Information Technology • Civil • Electronics & Comm. • Electrical & Electronics • Mechanical • Architecture
M. TECH
• Computer Science • Machine Design • Computer Sc. & Network • Electronics • Civil Structural • Civil-Geo Technical
MBBS/BDS/MDS/BAMS
B.Sc in Forestry, Agriculture, Horticulture, Fishries
B.Sc in Medical Lab Technology
B.Sc in Medical Microbiology, Maths, Physics
B.Sc in Optemetry, OT, Computer Sciences
Radiography, FND/M.Sc Food
Nutration & Dietetics, Fashion Desining
M.Sc./B.Sc. : ✓ Bio Technology ✓ Micro Biology ✓ Bio Chemistry ✓ Applied Genetics ✓ Nursing ✓ Physiotherapy
DIPLOMA : MLT, Radiography Tech, Physotherapy Tech, Dialysis
MBA | Pharm.D
MCA | D.Pharm
BBA | B.Pharm
M.Pharm
BCA | B.Ed
PGDM | D.Ed
BHM | B.Com | M.COM | BSW | B.A. Animation, Multimadeia
Tourism | M.A. Cinema & Telivision
HURRY ! AT TOP RANKING COLLEGES IN INDIA AND ABROAD. THE ADMISSION CONFIRMATION LETTER WILL BE RECEIVED WITHIN 10 MINUTE - 100 % JOB PLACEMENT AND FREE LAPTOP.
Contact : NEW WAY CONSULTANCY & PLACEMENT (R), Babupara, BOSEM Leirak, Imphal
# : 8119996590 / 8575326215 / 8794525328 / 8119944133